সনালৈবাক স্পোর্টস

WEDNESDAY, APRIL 30, 2014, PAGE 7

বার্চেলোনা ওপনদা মায় পাক্লবা
জপানিজকি শান্নরোই কৈ
নিশিকোরিনা নুঙাইবা ফোঙবা

কিংস ১১ পঞ্জাবকি প্রোপাইটর ওইরিবী
মীওই অমদা টিম অসিগী শান্নরোই
ওইরিবা কুমারা সেখরগা ব্রারী শান্নবা

হুন্দুরসনা ফিফাগী ব্রাল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি হন্দক্কি অসি থারগা ৩ লক্তা ঙাইরি

রিও দি জান্দেরো, এপ্রিল ২৯ঃ

হুন্দুরস অহানবা ওইনা ব্রাল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি ইং ১৯৮২ দা স্পেননা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অদুদনি। লৈবাক অসিনা হন্দক্কি ব্রাল্ড কপ অসি ক্বালিফাই ওইবগা লোয়ননা চহী অসি ফাওবদা ব্রাল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি মশীং য়ামদ্রি। শুপ্নগী অহুমলক্তা ঙাইরি।

ইং ১৯৮২ গী মতুংদা হুন্দুরসনা অমুক হন্না ব্রাল্ড কপ শরুক য়াখিবসি মমাঙদা সাউথ আফ্রিকানা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা কপ অদুদনি। মমাঙগী ব্রাল্ড কপ অনীদা শরুক য়াখ্রবা হুন্দুরস হৌজিক ফাওবদা ব্রাল্ড কপকি ওইবা ফজবা পার্ফোমেন্স অমা উৎপা ঙমখিদ্রি।

লৈবাক অসিনা ব্রাল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা অনীরক অসি গ্রুপ লেভেলদা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি। মখোয়না মখা তাবা রাউন্দ চঙবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা ওইনা ইং ১৯৮২ গী স্পেনদা পাঙথোকখিবা ব্রাল্ড কপ অদুদা হুন্দুরসকি ফজবা প্লে খরা হায়রগদি য়ুম্থু ওইরিবা স্পেনগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গোল ১–১ চন্নদুনা দ্রো ওইখিবা অসিনি।

চহী অদুদা শরুক য়াখিবা মখোয়গা গ্রুপ পুনবা নোর্থন আইলেন্দগা শান্নখিবা মেটচ অদুসু স্পেনগা শান্নবদা দ্রো চৎখিবা অদুগুম্না গোল মার্জিন মান্নবা দ্রো ওইখি। লৈবাক অসিনা চহী অদুদা পোইন্ট ২ ফংখি। অদুগা অরোইবা ওইনা শান্নখিবা য়ুকোসলভিয়া মেটচ অদুদা শুপ্নগী গোল অমদা মায়থীবা নঙখি।

মমাঙগী ব্রাল্ড কপ হায়দি ইং ২০১০ দা সাউথ আফ্রিকানা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কপ অদুগী মেটচতা চিলিগা শান্নবদা চিলিগী মখুত্তা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থীবা নঙখি।

অনীশুবা ওইনা স্পেনগা অমুক শান্নবদা চহী অদুগী খ্বাইদগী গোল য়াম্না চনবগী গোল্ডন বুট ফংহৌদ্রগসু গোল য়াম্না চনবা শান্নরোইশিংগী কন্টেসতা শরুক য়াবা ঙমখিবা স্পেনগী শান্নরোই দেবিদ ভিলা য়াওবা টিম অসিগী মখুত্তা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থীবা নঙখি। অরোইবা ওইনা য়ুকোসলভিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদসু হুন্দুরস ১–০ দা মায়থীবা নঙবগা লোয়ননা গ্রুপ লেভেলদা লৈহৌখিবনি।

মসিদা পেন্দ্রবা হুন্দুরসকি শান্নরোইশিংনা ব্রাল্ড কপ অসি হেক লোইবগা টিম অসিগী কোচ ওইখিবা রিনাললো রুইদাগী মহুত্তা অতোপ্পা কোচ অমা শিন্নবা অকনবা খোঙজং অমা লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোইশিংনা চঙশিনবগা লোয়ননা মদুদা মকোক থংনা য়াওখিবা শান্নরোইশিং অদুদি লা ঐচনা চাউরবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা ইং ২০১১ দা অনৌবা কোচ ওইনা লুইজ ফরনান্দো স্বেজরবু লৈবাক অসিগী ওইবা নেসনেল টিমগী কোচ ওইনা হাপখি।

হুন্দুরসকি অনৌবা কোচ ওইরিবা অসিনা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংদা হেন্না মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মহাক্না অনৌবা শান্নরোইশিং শেমগৎপদা পূক্নিং চঙখি।

মসিনা মরম ওইদুনা লন্দনদা ইং ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ব্রাল্ড কপ অদুদা হুন্দুরসকি অন্দর ২৩ গী টিম অসিনা শরুক য়াবা ঙম্বগা লোয়ননা ফুটবোলদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌশিনবা ঙমখি।

অসুম্না মখা তানা ব্রাল্ড কপ অমদি তোঙান তোঙানবা কপ কয়াদা হুন্দুরস অসি মীয়াম্না হান্না খন্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফবা টিম অমা ওইরকখি। চহী অদুমক্তদা পাঙথোকপা কোনকা কপ অদুদা লৈবাক অসিনা অহুমশুবা রাউন্দ ফাওবা য়ৌশিনবা ঙক্লকখি।

হন্দক্কি ব্রাল্ড কপ অসিদা টিম অসিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোয়না ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ফাইনেল সিক্স টিম ফাওবগী ফেজতা মায় পাকপা ঙমখি। ইং ২০১৩ দা অরোইবা ওইনা শান্নখিবা ব্রাল্ড কপ ২০১৪ গী ক্বালিফায়িংগী অরোইবা মেটচ অদুদা মেক্সিকোবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি হন্দক্কি ব্রাল্ড কপ অসিদা শরুক য়াখিবনি।

টিম অসিগী ওইনা ব্রাল্ড কপ অনীরক শরুক য়াবদা হায়বদি ইং ১৯৮২ অমদি ২০১০ দা গ্রুপ লীগতগী লানখৎপা ঙমখিদে। টিম অসিগী অফাওবা শান্নরোই খরা মীয়াম্না খঙখ্রে। মখোয়গী মমিং অদুদি অমাদো গুইভারা, কারোস পাভোন অমদি দেনি টুরচিওজনা চিংবা শান্নরোইশিংনি।

হন্দক্কি ব্রাল্ড কপ অসিদা লেফ্ট বেকতা য়াম্না ঈচং থৌবা শান্নরোই অমা ওইগদৌরিবসি ইমিলিয়ো হায়রিবা শান্নরোই অসিনি। মহাক অসি স্কোট প্রেমিয়র লীগতা প্লেয়র ওফ দি এয়রসকি মনা ফংখ্রবা শান্নরোই অমসুনি।

রিওগী ওলেম্পিক্কী শেম শারিবসি য়াম্না মওং তাদ্রি

সিদনি, এপ্রিল ২৯ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা আই ও সিগী কোর্দিনেসন কম্মিস্নার ওবজার্ভিং ওফ দি গেমস রিও ওলেম্পিক হায়বা অসিদা মীহুৎ অমা ওইরিবা ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা জোন কোটেজনা ফোঙদোকখিবদা ব্রাজিলগী রিওদি জেনেরোদা ওলেম্পিক্তা ওইনা শেমগৎ শাগৎলিবসি য়াম্না মওং মরী তাদবা অমদা লৈরি হায়না ফোঙখ্রে।

ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা জোননা লৈবাক অসিদা ৬ লক হন্না চৎপগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎলিবা কয়া অদুগী মতাঙদা কুপ্না য়েংশিনখি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা ষ্টেজ অসি হান্নগী অদুদা অদুমক লৈরি হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক ফোরমদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ভাইস প্রসিদেন্ট অসিদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা মফম অদুগী মীওইশিং হায়বদি রিওসকি ওইর্গনাইজিং কম্মিটি অদুগা কয়ারক হন্না উন্নদুনা ওলেম্পিক্কীদমক্তা শেমগৎ শাগৎলিবসি হেন্না মীৎয়েং থমদুনা অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা ব্রাফমসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

শেমগৎ শাগৎপা অসিবু হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইং ২০১৬ কি ওলেম্পিক অসিগীদমক স্পিসিএল টাক্স ফোর্স অমা শেমদুনা অথুবা মতমদা ক্রিটিকেল ওইবা মওংদা শেম শানবা ব্রাফম ফোঙদোক্লমখি।

আই ও সিনা অচৌবা মতেং অমা পীবগা লোয়ননা রিওদা হৌজিক শেমগৎলিবা অসি খুমাঙ চাউশিন্নবা প্লান বি অমসু শেমগৎলে হায়রি। ইং ২০১৬ কি ওলেম্পিক অসি আউথ আমেরিকাগী লৈবাক মনুংদা পাঙথোকপা ইহান হানবা ওলেম্পিক গেমস অমসু ওইগদৌরি মসি অসিনা অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা পান্দম থম্নবসু খঙহনখি।

আই পি এলদা সন্দিপ শর্ম্মা অমদি সেব্রক চাউনা মতেং য়াওখি

দুবাই, এপ্রিল ২৯ঃ

য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটসতা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) অসিদা কিংস ১১ পঞ্জাবনা চাউনা মায় পাক্তুনা মেটচ ৯ ফাওবা অমত্তা মায়থীদনা মাঙদা চঙশিল্লক্লিবা অসি টোপ বেটসমেন ওইরিবা খৃষ্ট গেন অমদি বিরাট কোহলি নত্তনা মেদিয়ম পিচর সন্দিপ শর্ম্মা অমদি ক্রিয়েটর বিরেন্দর সেব্রককি চাউরবা মতেং য়াওখি।

বিরুপা হায়না খঙনবা শান্নরোই অসিনা প্লে মনুংদা য়াম্না থাজদবা মওংদা রন অসি য়াম্না চিরবা মতমদা লৌদুনা টিম অসিবু মায় পাকপদা ওম্থোকপা ঙমখিবা শান্নরোই অমনি। মসিদা নত্তনা টিম অসিগী বেটসমেনশিং খক্তা নত্তনা মেদিয়ম পিচর বোল্লর অমা ওইরিবা নহা ওইরিবা সন্দিপ শর্ম্মনা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা ওপোনেন্ট টিম্না রন য়াম্না লৌখিগদবা মতাং অদু য়ৌরকপদা রন য়াম্না পীদবা অমদি ব্রিকেট তুহনবগী অচৌবা থৌদাংসু লৌখি।

মহাক অসি টিম অসিগী ওইনা অফবা মীওই অমনি হায়খি। শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না হন্দক্কি আই পি এল অসিদা কিংস ১১ পঞ্জাবতা শরুক য়াবসি মহাক্কী ওইনা লাইবক ফবা অমসু ওইরি অদুগা টিম অসিদা বিরুপানা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা টিম অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা শান্নরোই কয়াসু হেন্না পুক্নিং চিংশিনবা ঙম্বা লুচিংবা অমসু ওইখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ু এ ইদা চত্থরিবা আই পি এলগী মেটচ কয়াদা টিম অসিগী অতোপ্পা বোল্লর বালা পাজিসু চাউনা মতেং পাংখি। মহাকসু থাজদবা মফমদা ব্রিকেট কয়া লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী ওপোন্টেশিংবু মায়থীবা পীবদা চাউনা মতেং পাংখিবা শান্নরোইশিংনি। মশাগী চহী ২০ কক্তা ঙাইরিবা সন্দিপ শর্ম্মনা পঞ্জাবকি বোল্লর অমা ওইনা শরুক য়াবদা রন ১৫ দা ব্রিকেট ৩ লৌখিবা অসিসু অমনি।

সোভাসপু টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইনা হাপখ্রে

কোলকাত্তা, এপ্রিল ২৯ঃ

মোহন বগান হায়রগা খঙনরিবা ইন্দিয়াগী ওইনা অরিবা ফুটবোলগী ক্লব অমা ওইরিবা অসিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ক্লব অসিদা থবক তৌরম্বা মীওই অমা ওইরিবা সুভাস ভৌমিকপু ক্লব অসিগী টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইনা হাপচিনখ্রে।

মহাকপু ক্লব অসিগী টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইনা হাপত্রিঙৈগী মমাঙদা ক্লব অসিগী ওইবা মরু ওইবা মীওইশিং য়াওবা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা কুপ্না খন্না নৈনরবা মতুংদা সুভাসপু মোহন বগান এথলেটিক্স ক্লবকি টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইনা হাপখিবনি।

টেক্নিকেল কম্মিটিগী মীফম অদুদা ক্লব অসিগী মীহুৎ অমা ওইবতা নত্তনা মতম কয়াগী মমাঙদা ক্লব অসিগী প্লেয়র ওইনা শরুক য়ারম্বা সিবাজি বেনর্জি কোমটোন দত্তা অমদি সত্যজিৎ চেটরজিনা চিংবা মীওই কয়া অমা য়াওনা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা সুভাসপু টিম অসিগী দাইরেক্টর ওইনা খনখিবনি।

মহাকপু টিম অসিগী দাইরেক্টর ওইনা হাপ্লবা অসিগা লোয়ননা মথংগী সিজনদা মোহন বগাননা অফবা ফুটবোলগী ক্লব অমা ওইনা ইন্দিয়াদা শক খঙনবগীদমক্তা হেন্না অফবা শান্নরোই কয়া অমসু লৌশিন্নবা ব্রারেপ লৌখ্রে।

মসিগী মথক্তা টিম অসিদা হৌজিক লৌশিন্নবা ব্রারী শারিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা শিলংগী লাজোং হায়না খঙনবা ক্লব অদুদা শরুক য়ারিবা কোর্নেল গ্লেন অসি টিম অসিগী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ানবা হায়জবগা লোয়ননা মমাঙগী ইং ২০০৬ তা ট্রিনিদা এন্দ টোবাগো হায়বা লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোই ওইখিবা অসিবুসু লৌশিনবগা লোয়ননা নাইজেরিয়াগী সোনি নোর্দেন অমদি বঙ্গলাদেশকি অফবা ক্লব ওইরিবা সেখ জমাল ধনমোদি ক্লবকি অফবা শান্নরোই খরসু মোহন বগান টিমদা য়াওনবা খঙহনখি। সুভাস মোহন বগান টিম অসিদা ইং ২০১০ অমদি ২০১১ দগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অমসুনি।

MOHUN BAGAN ATHLETIC CLUB
ESTD.1889
MEMBER ONLY

কৈ নিশিকোরিনা শান্তিঅগোবু মায়থীবা পীখ্রে

বার্চেলোনা, এপ্রিল ২৯ঃ

বার্চেলোনাদা পাঙথোক্লিবা বার্চেলোনা ওপন অসিদা জপানগী শান্নরোই অমনা অহানবা ওইনা টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবা শান্নরোই অদুদি কৈ নিশিকোরিনি।

মহাক্না ফাইনেলদা কলম্বীয়াগী শান্নরোই শান্তিঅগো গিলান্দোবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মহাক্কী পুন্সিদা ক্লেগী কোর্টতা শান্নবা টাইটল অসিসু লৌবা ওইখি।

কৈ নিশিকোরিনা শান্তিঅগোবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থীবা পীবা ঙম্বগা লোয়ননা ক্লে কোর্টতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ওইনা মহাক্কী মপুন্সিদা টাইটল লৌবা শান্নরোই ওইবতা নত্তনা অহানবা ওইনা স্পেনগী মচা নত্তবা মীওইনা টাইটল অসিগী মপু ওইবসু অহানবা ওইবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা কলম্বীয়াগী শান্নরোই গিলান্দোনা জজকা মহাক্না য়ৈখিবা বোল অদু দবলস ফোল্ট ওই ওইদে হায়বগী মতাঙদা মরৈ য়েৎনরবসু মমৈথংদা জজনা নিশিকোরিগী মায়কৈদা পোইন্ট পীখিবা কয়া অসিগা লোয়ননা চেম্পিয়ন অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ইং ১৯৯৬ কি মতুংদা অহানবা ওইনা স্পেনগী মচা নত্তবা শান্নরোই অমনা টাইটল অসি লৌবা অহানবসু ওইখি। নিশিকোরিনা মহাক্কী মপুন্সিদা ৫ রক শুবা ওইনা হন্দক্কি টাইটল অসি লৌখিবনি। মসিগী মনুংদা চহী অসিগী ওইনা মহাক্না টাইটল লৌবনা অনীরকশুবা ওইরে।

ইন্দিয়া চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ ব্রানদা অমুকসু হন্না মায়থীবা নঙখ্রে

গ্লাসগো, এপ্রিল ২৯ঃ

মফম অসিদা চত্থরিবা নুপীগী ওইবা চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ ব্রান হায়রগা খঙনরিবা হোকিগী চেম্পিয়ন অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা স্কোটলেন্দগী মখুত্তা য়াম্না চাউনা মায়থীবা নঙখ্রে।

ঙরাং গ্রুপ এগী অহানবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়া অমদি কোরিয়া শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কোরিয়াগী মায়োক্তা গোল অনী চনবা ঙমখি। অদুবু কোরিয়ানা মদুগী ওন্না তৈনবদা ইন্দিয়াদা গোল ৪ চনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিবু ৪–২ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি অনীশুবা গ্রুপ এগী মেটচ ওইনা ইন্দিয়া স্কোটলেন্দগা শান্নখিবা অদুদা য়াম্না চাউনা ৪–০ দা মায়থীবা নঙখি।

মেটচ অদু স্কোটলেন্দগী কাঙবুনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখি হায়বা য়াই। মরক মরক্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা গোল চন্নবা এটেম তৌখিবা অদু অরেম্বদা মাঙখি। ইন্দিয়াগী দিফেন্সকি লাইন য়াম্না কল্লগসু মখোয়না ইন্দিয়াগী অহোবা মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা গোল চনবা ঙমখি।

অহানবা ওইনা স্কোটলেন্দগী শান্নরোই নিকি কিদনা ৩০ শুবা মিনিটতা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মখোয়গী একাউন্দ হাংদোকখি। ইন্দিয়ানা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা স্কোটলেন্দগী ইগ্রি মার্গ্রেরেননা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৩৩ শুবা মিনিট ফাওবদা ইন্দিয়া স্কোটলেন্দগী মখুত্তা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থীবা নঙখি।

স্কোটলেন্দনা পাঞ্জল ২ চল্লবা মতুংদা অহানবা হাল্ফকি মতম লোইখি লোয়ননা অনীশুবা হাপ্তসু স্কোটলেন্দনা বোল হেন্না পায়দুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৪১ শুবা মিটিতা ভিকি গুস্সনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৩–০ দা থল্লবা মতুংদা ৬৬ শুবা মিনিটতা বেকি ব্রাক্সনা ৬৬ শুবা মিনিটতা গোল অমগা অমুক চন্দুনা ইন্দিয়াবু চাউনা মায়থীবা পীখিবনি।